# চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা অহানবা থাঙ্গাল মেমোরিয়ল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচএনএস) :

মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ঙসি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা ময়াংখাং শান্নবুংদা অহানবা জেনরেল থাঙ্গাল মেমোরিয়ল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২১ হৌদোকখ্রে।

ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি থাঙ্গল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা শীন্দুনা ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ৩০ ফাওবা চথুগদৌরিবনি। ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌদোকপা অদুগা ইরোয়ননা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ষ্টেট অসিগী মমিং লৈরবা জেনরেল থাঙ্গালগী মীতমশাননবা উরেপ-উয়ুংসুতমখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখিবদা, মমা লৈবাকপু কন্নবা হোৎনবদা পাঙ্গল লৈরবা বৃটিশকা লান্থেংনবদা শরুক য়াখিবা লুচিংবশিংগী মনুংদা জেনরেল থাঙ্গালসু অমনি হায়না ফোঙদোকখি। মখোয়না কখোকখিবা অদুনা ঙসি ষ্টেট অসিগী মীওইশিংনা কোম্না লৈবা ঙম্লিবনি। মশক মমিং খঙহৌদ্রবা লান্মী কয়া অমসু বৃটিশকা শোক্লখিবা লাল অদুদা থৱায় থাখিবা অদুবু কাউফম থোক্তে অমদি মখোয়দা ইকাই খুম্নবা উৎফম থোকই হায়নসু ফোঙদোকখি। মণিপুর লৈঙাক্লা থাজবা থল্লদুনা জেনরেল থাঙ্গালগী মীতম অদু চহী অসিগী ওগষ্ট ১৩ (পেট্রিওটস দে) নুমীৎতা মায়খুম হাংদোক্লবা হোৎনগনি হায়খি। মদুগীদমক্তা লৈঙাক অসিনা লুপা ক্রোর ১ কায়থোক্তুনা থল্লে হায়খি।

সীএমনা ময়াংখাংদা লৈরিবা থাঙ্গাল জেনরেল ইকোলোজিকেল পার্ক অসিবুসু হান্না লৈরিবা ফীভম অসিদগী পাকথোক-চাউথোকহন্নবগীদমক্তা থাঙ্গাল কম্যুনিটিগী মীওইশিংগা তানরগা থবক লৌখৎকনি হায়খি। লোয়ননা সেনাপটি ৱাটর সপ্লাই প্রোজেক্ট অসিসু চৎলিবা থা অসিগী ৩১গী মমাংদা লোইশিন্ননবা থবক লৌখৎলগনি হায়খি।

শান্নবগী মতাংদা ফোঙদোক্লদুনা ওলমণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগা তানরগা জেনরেল থাঙ্গাল মেমোরিয়ল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি ষ্টেট লেভেলদা পুখৎনবসু হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখি। শান্নবদা লাইনিং অমদি পোলিটিক্স লৈতে। মসিগীদমক্তা লৈঙাক্লা তোঙানবা ফন্দ অমা থমদুনা টুর্নামেন্ট অসি পাঙথোক্লবা হোৎনগনি হায়খি।

থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা মখা তাখিবদা, ইম্ফাল এরিয়াদা চিরাই নাগা হায়নসু খঙনরিবা চিরাই থাঙ্গালগী মীতম অমসু খিন্নবা হোৎনগনি হায়খি। মণিপুরদা বন্দ অমসুং ব্লোকেদনা চাউখৎপগী থবক থৌরমশিংদা অপনবা পীরিবশিং অসি কোকহন্দুনা তোঙান-তোঙানবা কাঙলূপশিংনা মখোয়-মখোয়গী অপান্বা অমদি পেন্দবশিং অদুগী মতাংদা ৱারী শানরগা অফবা লম্বেলদা চঙশিন্নবসু আপিল তৌখি।

থৌরম অদুদা পি ঐচ ঈ দি মিনিষ্টর লোসি দিখো, সী এমগী এদভাইজর ঙমথং হাওকিপ, কম্মিস্নর এম জয়, সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী দি সী, টি ঐচ কিরনকুমার, কাংপোকপী দি সী সোমোরজিৎ সলাম অমসুং তোঙান-তোঙানবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন অমসুং ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়নগী লুচিংবশিংসু শরুক য়াখি।

# খাঙেম্বম বিদ্যাসাগরগী হেটট্রিকনা মতেং ওইদুনা ট্রাওনা রিয়াল কাশ্মীর এফ সীবু ৩-১দা থোইখ্রে

কোলকাটা, মার্চ ১০ (এজেন্সী):

হিরো আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা ফেজগী মেটচ অমদা খাঙেম্বম বিদ্যাসাগরনা চনখিবা হেটট্রিকনা রিয়াল কাশ্মীর এফ সীবু পাঞ্জল ৩-১দা থোইবা ঙমখ্রে।

পনবা য়াবদি, ঙসিগী মেটচ অসিগী মাংওইননা ট্রাওনা শান্নখিবা অনীশুবা ফেজগী মমাংগী মেটচতা মহমদন স্পোর্টিং ক্লবপু পাঞ্জল ৪-০দা থোইখিবা মেটচ অদুদসু ট্রাওগী খাঙেম্বম বিদ্যাসাগরনা হেটট্রিক চনখিদুনা লীগ টুর্নামেন্ট অসিদা থংনবা মেটচ অনীদা হেটট্রিক অনী চনবা ঙম্বা অহানবা শান্নরোয় ওইবতা নৎতনা লীগ টুর্নামেন্ট অসিদা পাঞ্জল ১১ চন্দুনা খ্বাইদগী পাঞ্জল য়াম্না চনবা ঙম্বা শান্নরোয় ওইরি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী হৌরকপা ৮শুবা মিনটতা বিদ্যাসাগরনা রিয়াল কাশ্মীরগী দিফেন্সকী অশোয়বা অমগী খূদোংচাবা লৌদুনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। হোৎনবা কনবা রিয়াল কাশ্মীরগী শান্নরোয়শিংনা শান্নবগী ২৪ শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় দানিশ ফরুকনা য়াম্না ফজবা হেদ্দিং অমগী মতেংনা ইক্বেলাইজর অদু চনখি। ট্রাওগী এটেকিং লাইনদা লৈরিবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা বিদ্যাসাগরগী খোঙজেল য়াঙবা এটেক অদু রিয়াল কাশ্মীরগী দিফেন্দরশিংনা থিংবা ৱাখি। ৩৭শুবা মিনটতা টুরসুনোবনা পীরকপা বোলদা বিদ্যাসাগরনা মেটচ অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চল্লগা অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা ট্রাওনা ২-১দা রিয়াল কাশ্মীরবু মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাফ অয়াম্বা শরুক রিয়াল কাশ্মীরগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনখিবা অদু ট্রাওগী মায়কৈদগী নীংথিনা থিংবা ঙমখি। শান্নবা লোইগদবা মিনট ৫দা ঙাইরবা মতমদা ট্রাওগী মায়কৈদগী অহানবা হাফতা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখিবা খাঙেম্বম বিদ্যাসাগরনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মহাক্কী হেটট্রিক অদু ওইখিবতা নৎতনা মেটচ অদু মখোয়না রিয়াল কাশ্মীরবু ৩-১দা থোইখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা মহমদন স্পোর্টিং ক্লব অমসুং রাউন্দগ্লাস পঞ্জাব পাঞ্জল ৩-৩ চন্নরগা দ্রো চৎখি। রাউন্দগ্লাস পঞ্জাবকী মায়কৈদগী ভুটান মচা সেন্সোনা পাঞ্জল ২ অদুগা অসিশ ঝানা পাঞ্জল অমা চনখি। অমরোমদা মহমদন স্পোর্টিংগী মায়কৈদগী ফাইসাল অলি, পেদ্রো জেবিয়র অমসুং অজারুদ্দিন মালিকনা পাঞ্জল অমমম্ চনখি।

অতোপ্পা মেটচতা চর্চিল ব্রদর্সপু গোকুলম কেরলানা পাঞ্জল ৩-০দা থোইবা ঙমখি।



*রিয়াল কাশ্মীর এফ সীবু পাঞ্জল ৩-১দা থোইবা ঙমখ্রবা ট্রাওগী শান্নরোয়শিংনা হরাউবা ফোঙদোকপা*

# এল এফ সী, লোক্তাক এফ সী, য়ু এফ সী অমসুং জি দি সী মায় পাকপা ঙমখ্রে



বিষ্ণুপুর, মার্চ ১০ (ঐচ এন এস) :

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা ১৫শুবা লেট এন বালানন্দ মেমোরিয়ল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল টুর্নামেন্টতা এল এফ সী অমসুং লোক্তাক এফ সী মায় পাকখ্রে। অদুগা অহানবা লেট থোকচোম ইবোপিশক ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগতনা য়ু এফ সী অমসুং জি দি সী থোইবা ঙমখ্রে।

বিষ্ণুপুরদা লৈবা মিনি ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা ১৫শুবা লেট এন বালানন্দ মেমোরিয়ল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টকী মেটচ অমদা এল এফ সী অমসুং এল ৱাই এল এল লম্বা তৌনখি। মেটচ অদুগী হৌরকপা ৫শুবা মিনটতা এল এফ সীগী পারিতোম্বনা অহানবা পাঞ্জল চনখি। অদুগা ১৯শুবা মিনটতনা এল ৱাই এল এলগী জাসরনা ইক্বেলাইজর অদু চনখি। মেটচকী ৪৭শুবা মিনটতা এল এফ সীগী টি ঐচ লোয়াঙম্বনা মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু চনখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা লোক্তাক এফ সী অমসুং এন জি ৱাই দি সী লম্বা তৌনবদা মেটচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু লোক্তাক এফ সীগী মায়কৈদগী শান্নবগী ১৩শুবা মিনটতা ইবেনেজরনা চনবা ঙমখি।

অহানবা লেট থোকচোম ইবোপিশক ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা য়ু এফ সীনা কে ৱাই ভি এবু ২-১দা থোইখি। মেটচকী অহানবা হাফ পাঞ্জল চন্নখিদ্রবা মতুং অনীশুবা হাফতা য়ু এফ সীগী মায়কৈদগী পানমৈ সোনি অমসুং সাজননা শান্নবগী ৪৮ অমসুং ৭২ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমমম্ চনখি। অদুগা কে ৱাই ভি ওগী মায়কৈদগীনা শান্নবগী ৫৫শুবা মিনটতা দিপকনা পাঞ্জল অমা চল্লগা মেটচ অদু লোইশিনখি।

টুর্নামেন্ট অসিমক্কী অতোপ্পা মেটচ অমদা জি দি সী অমসুং ক্লাসা লম্বা তৌনখি। মেটচ অদু টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী লম্বা মান্ননা শান্নরকপনা মরম ওইরগা অহানবা হাফকী অপীবা মিনট ৪৫ শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

২শুবা হাফ হৌরকপা মিনট ১ চঙশিল্লকপদা জি দি সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ২ ও কেফাবনা পাঞ্জল অমা চল্লগা ক্লাসাবু মখোয়না মাঙজিল থাখি। মেটচকী লেমহৌবা মতম অদুদা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা অহেনবা পাঞ্জল চনবা ঙমদবদগী জি দি সী মায় পাকখি।

# নরসিং য়াদবকী সেঞ্চুরিনা সাইক্লোন থাংমৈবন্দ ফাইনেল চঙহনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচ এন এস) :

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট গ্রাউন্দদা চথুরকপা ৫শুবা এম এন সী এ দল্লিয়ু প্রহ্লাদ অমসুং দল্লিয়ু রামানন্দ এলিট ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেল মেটচতা সাইক্লোন থাংমৈবন্দগী নরসিং য়াদবনা রন ১১২ লৌখিবা অদুনা ফোর্স ক্ষেত্রিগাওবু রন ৭৬তা মায়থীবা পীবদা অচৌবা মতেং ওইরগা সাইক্লোন ফাইনেল চঙখ্রে।

মেটচ অদুগী টোস সাইক্লোননা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা টিম অদুগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ৪০ শান্নবদা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ২১৯ লৌবা ঙমখি। টিম অদুগী ওপনর ওইরিবা নরসিং য়াদবনা বোল ১২৮দা রন ১১২ লৌদুনা টিম অদুগী য়াম্না মরুওইবা স্কোর অমা থমখি। মরিশুবা বেটসমেন এল কিষনগী রন ২২ অমসুং কেপ্টেন হোমেন্দ্রোগী রন ২৪ পনবা য়াই।

ফোর্স ক্ষেত্রিগাওগী মায়কৈদগী বোলর ৫মক ৱিকেট লৌবা ঙমখি। মখোয়গী মনুংদা কুরসিদ অলমনা ৱিকেট ৩ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজখি। অদুগা অতোপ্পা বোলর ৪না ৱিকেট অমমম্ লৌখি।

মেটচ অদু মায় পাক্লনবা ফোর্স ক্ষেত্রিগাওগী মায়কৈদগী রন ২২০ লৌবগী টার্গেট অদু য়ৌবা ঙমদনা ওভর ৩১গী ৪শুবা বোলদা টিম অদুগী বেটসমেন ১০মক রন ১৪৩দা আউট ওইখিবদগী মেটচ অদু সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা রন ৭৬তা থোইখিবনি। ফোর্স ক্ষেত্রিগাওগী মায়কৈদগী ৩শুবা বেটসমেন সমিরনা বোল ৫৩দা রন ৫২ লৌরম্বা অদু নৎতনা অতোপ্পা বেটসমেনশিং অমত্তা রন ২০ য়ৌবা ঙমখিদে।

৭শুবা বেটসমেন অমদি কেপ্টেনসু ওইরিবা ফোর্স ক্ষেত্রিগাওগী সদামনা রন ১৭ লৌরম্বা, ৮শুবা বেটসমেন অর্সদ অলিনা রন ১৬ লৌরম্বা অমদি ৫শুবা বেটসমেন খুসরু প্রভিসনা রন ১২ লৌরম্বা অদু পনবা য়াবা স্কোরশিং ওইখি। সাইক্লোন থাংমৈবন্দগী মায়কৈদগী কিষননা ৱিকেট ৩ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা বোলর ওইখি। বিকাশ অমসুং অক্সেকুমার ৱিকেট ২/২ লৌবা ঙমখি। নরসিং য়াদবদা রন ১১২ লৌখিবগীদমক মেন ওফ দি মেটচ তাখি। টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং গ্রাউন্দ অসিমক্তদা শান্নগদবা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা পি টি আর সী অমসুং চেম্প লম্বা তৌনগনি।

# এস ৱাই য়ু সী, কে ঐচ এস সী (বি) অমসুং ৱাই সী সী আই সী (বি) থোইবা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচ এন এস) :

ৱাই সী সী আই সী কোন্থা অহল্লুপ ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা পাঙথোরকপা ৯শুবা য়ুম্নাম রাশমণি মেমোরিএল য়ু-১৫ বোইজ অমসুং য়ু-১৭ গর্লস ৭ এসাইদ কেশ প্রাইজ হোক্কী টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা চহী ১৫ মখাগী নুপামচাগী পুল এগী মেটচ অমদা এস ৱাই য়ু সীনা মৈরাবু পাঞ্জল ১১-৩দা থোইখ্রে। পুল বিদা কে ঐচ এস সী (বি)না এস ঈ ৱাই ওবু ৪-০দা থোইরগা পুল অদুমক্কী অতোপ্পা মেটচ অমদা ৱাই সী সী আই সী (বি)না ঐচ য়ুবু ৩-১দা মায়থীবা পীখি।

পুল এগী মেটচ অদুগী অহানবা ক্বার্টর টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকপদগী পাঞ্জল অমমম্ চন্নখি। এস ৱাই য়ু সীগী বোরিশনা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মৈরাগী মায়কৈদগীনা ইক্বেলাইজর অদু মহেশনা চনখি। অনীশুবা ক্বার্টরদা এস ৱাই য়ু সীগী পাঞ্জল ২ হাপচিনবা ঙমখি। এস ঐচ বোরিশনা পাঞ্জল অনীমক চনখি। অদুগা মৈরাগী মায়কৈদগী এলিশনা পাঞ্জল ১ চল্লগা অহানবা হাফ অদু এস ৱাই য়ু সীনা ৩-১দা হেনখি।

অনীশুবা হাফ মেটচকী ওইনা অহুমশুবা ক্বার্টরদা এস ৱাই য়ু সীগী মায়কৈদগী অভিজিৎনা পাঞ্জল অমা চনখি। অদুগা মৈরাগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৭ রোনিননা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। মখা তানা এস ৱাই য়ু সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৭ চনশিনখি। মদুদা টিম অদুগী মমাংদা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখিবা এস ঐচ বোরিশনা মখা তাবা পাঞ্জল ৩ অমগসু চনবা ঙমখি। অদুগা টিম অদুমক্কী অভিজিৎনা পাঞ্জল ২ অমগা হাপচিনবা ঙল্লবা মতুং অরিয়াননা পাঞ্জল ২ চল্লগা ১১-৩দা থোইখি।

গ্রুপ বিগী কে এস ঐচ সী (বি)না এস ঈ ৱাই ওবু ৪-০দা থোইখিবা মেটচ অদুদা কে এস ঐচ সী (বি)গী জর্সি নম্বর ৩ এল হরিশনা পাঞ্জল ৪মক চনবা ঙমখি। মহাক্লা অহানবা হাফতা ফিল্ড গোল অনী অমদি পেনাল্টি কোর্নরদা গোল ২ চনবা ঙমখিবনি।

গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা ৱাই সী সী আই সী (বি)না ঐচয়ুবু ৩-১দা থোইখিবা অদুদা ৱাই সী সী আই সী (বি)গী মায়কৈদগী পাঞ্জলশিং অদু দল্লিয়ু রোহিট অমসুং এস রিশিনা অনীশুবা ক্বার্টরদা পাঞ্জল ২ চনখি। ঐচয়ুগী মায়কৈদগী সাইরসনা ৪শুবা ক্বার্টরদা পাঞ্জল ১ চল্লবা মতুং ৱাই সী সী আই সীগী বিদ্যাচারননা ফিল্ড গোল অমা চনশিল্লগা মেটচ অদু মখোয়না ৩-১দা থোইরগা লোইশিনখি।

# ওস্কার পাওনা বজারনা এল সী সী সী রন ২৮দা থোইবা ঙমখ্রে




ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচ এন এস) :

লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা ১৮শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১২শুবা মেটচতা ওস্কার পাওনা বজারনা এল সী সী সী চজিংবু রন ২৮দা থোইবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদুগী টোস ওস্কারনা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা টিম অদুগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ৩০দা বেটসমেন ৮ আউট ওইরগা রন ১৬৬ লৌবা ঙমখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী জয়শঙ্করনা রন ২৭ অমসুং রাজেশনা রন ২৫ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্স ওইখি। মেটচ অদু মায় পাক্লনবা এল সী সী সীনা রন ১৬৭ লৌনবা হোৎনরকপদা ওভর ২৬কী অহানবা বোলদা বেটসমেন ১০মক আউট ওইরগা রন ১৩৮ খক লৌখি। এল সী সী সীগী বেটসমেন কৃষ্ণনা বোল ৩৪দা রন ৩৪ লৌরম্বা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। হয়েং ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবাল অমসুং ৱাই য়ু য়ু সী ক্বাকৈথেল শান্নগনি।

# সী আর পি এফনা শান্নবগী পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১০(ঐচ এন এস):

১৪৩শুবা বট্টালিয়ন সী আর পি এফনা ঙসি খুমন লম্পাক টর্ফ গ্রাউন্দদা সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মখাদা শান্নববু শৌগৎপা ওইনা শান্নবগী পোৎলম কয়া অঙাংশিংদা য়েন্থোকখ্রে।

থৌরম অদুদা সী আর পি এফ মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ সেক্টরগী আই জি পি ওইরিবা রন্দিপ দট্ট পি এম জিনা চীফ গেষ্ট ওইখি। য়েংশিনবা ৱাৎলবা শান্নববু পামজবা অঙাংশিংদা ফুটবোল, খোঙউপ, ফুরিৎ অমসুং খোঙ্গ্রাউ ৫০গী সেটশিং য়েন্থোকখি।

সী আর পি এফ দি আই জি পি রেঞ্জ ইম্ফালগী রবিন্দ্র কুমার রৌটেলা, ১৪৩ শুবা বট্টালিয়ন সী আর পি এফকী কম্মান্দেন্ট লমখোকম লোজেম, বট্টালিয়ন অসিগী সী এম ও ডা. জি কে কবুই, বট্টালিয়ন অসিগী দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট এম সন্তোশ, এসিষ্টেন্ট কম্মান্দেন্ট কে এস ঐচ রোমেন, অস্ফাগী প্রসিদেন্ট এম রতনকুমার, জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোতিরমোই রোই, লোয়ননা সী আর পি এফতগী রিটাইয়র্দ তৌরবা সেকেন্দ আই সী কে নোগেন, এন তোম্বা অমসুং অতোপ্পা কয়ানা শরুক য়াখি।

# ভি সী পি সী ট্রোফিগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং শান্নবা হৌরগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১০(ঐচ এন এস):

ভিলেজেস কম্যুনিটি প্রোগ্রেসিভ কম্মিটি (ভি সী পি সী)না শীন্দুনা পাঙথোকপা অহানবা ভি সী পি সী ট্রোফি মণিপুর ষ্টেট ওপন ৯-এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং হয়েংদগী শান্নবা হৌরগনি।

হয়েং নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদু মালেম এফ সী কৈশাম অমসুং শরুক এফ সী চঙমদবী লম্বা তৌনগনি। থা অসিগী ১২দা শিমরল এফ সী তেন্থা অমসুং জেক এফ সী অংথাগা লম্বা তৌনগনি।

লোয়ননা থা অসিগী ১৩দা য়াইরি এফ সী কেক্রু অমসুং অপাইবা এফ সী হট্টা থেংনগনি। লোয়ননা মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদু থা অসিগী ১৪দা ৱাই বি আই সী বামোন লৈকাই অমসুং অল অমিন শঙ্গাইয়ুম্ফম লম্বা তৌনগদৌরি।

LOAN AVAILABLE
State/Central pensioner
Special offer for 2 wheeler vehicle Loan
(0% Down payment)
TYRE CHANGER MACHINE
CAR WASH LIFT MACHINE
L.G. MOTORS FINANCE
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,H.Q
CONTACT No.:- 8731978490/9774495994
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING,IMPHAL WEST,MANIPUR
OFFICE HOUR:
10.00AM TO 4.00PM
BRANCHES:- ,SAMUROU NEAR MACHU HALL,,THOUBAL BRANCH AT KHANGABOK KM BLOOMING SCHOOL OPP., NAMBOL PHOIJING LAMBAN,MOIRANG PATLOU,KAKCHING IRUM LAMDONG,SEKMAI KOUJENGLEIMA.
HL-B/6672/11

S³ Coaching Centre
STEPS TO SURE SUCCESS
EDUCATION WITH CARE
Nagamapal RIMS Road Corner Near Traffic Island
ADMISSION IS GOING ON FOR
DON'T MISS
LAST MINUTE REVISION
Class X & XII - 50% Discount
SUBJECT
XII - Math, Chemistry, Physics & Biology
(one subject Free)
SUBJECT
X - Math, Science, Meitei Mayek & Social Science
(one subject FREE)
FOUNDATION COURSE
for class XII starting from March and IX, X - from 15th, 20th & 23rd Feb., 2021
50% DISCOUNT ON
FIRST TWENTY STUDENTS
Class - Timing
Morning 6am - 9am
Evening 3pm - 7pm
HOME TUTORS AVAILABLE FOR CLASS VI To XII
DON'T MISS
Day Boarding for
NAVODAYA & SAINIK
Entrance Coaching
NEET - 2021
REVISION FOR CHEMISTRY
STARTING FROM 3RD MARCH
Special Features:
* Regular test on every chapter
* Thorough analysis on previous year questions
* Perfect expected question suggestions
* Faculties are Perfect & Expert
* Van Service
* Individual attention
* Extra Class for Weak Students
Please Contact #9362333159 BETWEEN 7AM TO 6PM
HL-B/6801/20/2-21/3

GOVERNMENT OF MANIPUR
WATER RESOURCES DEPARTMENT

NOTICE INVITING TENDER

Imphal, 4th March, 2021

No. EE/EMD/Estt. /OP/40/01/301: The Executive Engineer, Electrical & Mechanical Division, Water Resources Department, Manipur for and on behalf of the Governor of Manipur invites tenders from competent contractors registered under Government of Manipur to submit quotations for the following works:

| Sl. No. | Name of the Work | Period of Completion |
|---|---|---|
| 1 | Repair, Renovation and Restoration(RRR) of Waithoupat waterbody, Thoubal District, Manipur. (Sh:- Construction of Nallah Crossing at RD 4824.40m) | 3 months |
| 2 | Repair, Renovation and Restoration(RRR) of Waithoupat waterbody, Thoubal District, Manipur. (Sh:- Construction of Nallah Crossing along the Eastern side of Phumnampat at RD. 729.81m). | 3 months |

The details of the document will be available in the office of the Executive Engineer, EMD with effect from 5th March, 2021. The Last date of submission of the tender documents is 10th March, 2021.

All correspondences/communications shall be made to the Executive Engineer, Electrical & Mechanical Division, Water Resources Department, Manipur.

Sd/-Executive Engineer
Electrical & Mechanical Division
Water Resources Department, Manipur

HL-B/6845/11

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com